**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-12-2025)**

**রাস্ত্রপতি (এল)ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লুচিংদুনা মীয়ামনা ঙসি নুপী লালদা শরুক য়াখিবী থৌনা ফরবীশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। রাস্ত্রপতিনা নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা থৌনা ফরবী ইমাশিং অদুগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। রাস্ত্রপতিনা ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদসু চৎতুনা লাই খুরুমখি।

তুংদা, সেনাপতি জিলাগী মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা জিলা অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট তরেৎ শঙ্গাখি অদুগা অতৈ প্রোজেক্ট মঙানা যাত্রা হুনখি। শঙ্গারিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা লুপা কোতি ২৫ চংনা শাবা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমা, লুপা কোতি তরা চংনা অপগ্রেট তৌরবা প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অনি, লুপা কোতি ১১ চংনা শাবা ভেল্লি ব্রিজ অনি য়াওরি। অতৈ প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী হোস্টেল শাবা, পোলিসিং অমসুং পব্লিক সেফতি, হকশেল অমদি শিক্ষাগী লমদা ফিভম ফগৎহন্নবা প্রোজেক্টশিং য়াওরি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরদা হেক থুংবগা রাস্ত্রপতিনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মহাকা পার্টিকুলররি ভলনরেবল ত্রাইবেল গ্রুপস (পি.ভি.টি.জি) গী মনুং চল্লিবা মনিপুরগী অমত্তা ঙায়রবা মরাম ত্রাইবকী লুচিংবশিংগসু ৱারী শান্নখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়-মনিপুরগী ত্রাইবেলশিংগী থাক ৱাংখৎহনবা, মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবা অমদি শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী লমজেলদা মখোয়বু শরুক য়াহনবা হায়বসি লৈবাক্কী মাংজিল থাবা থৌশিলনি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা খুন্দবা লোল কয়া লৈবা সংস্কৃত্তি অমসুং হৌন-লোনচৎ কয়া অসিনা মনিপুরগী শক্তি ওইরি। মহাকা রাজ্য অসিদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্তা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনবদা অমনা অমবু মতেং পাংননবসু হায়খি।

**সেমিনারঃ** মণিপুরী সভ্যাতাবু শেমগৎলম্বা মহারাজ গরিবনিৱাজ হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা বাস্কর প্রভাদা হৌদোকখ্রে।

সেমিনার অসি নিউ দিল্লিগী ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ হিষ্টোরিকেল রিছার্সকী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল অমসুং মণিপুর সেবা সমিতিনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী হান্নগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি-ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা হায়-মহারাজ গরিবনিৱাজগী মতমদা মনিপুরদা অনৌবা অওনবা কয়া পুরকপা ঙমখি। মহাক্কী মতমদা লৈঙাক থৌদাদা মশক থোকা থবক কয়া পায়খৎপা ঙমখি। মহাক্কী মতমদা অপ্পর বর্মা, কবো-চিনৱিন ফ্রন্টিয়ার অমসুং ত্রিপুরা-কছার লমদমবু মায় পাকা লান্থেংনবা ঙমখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র, মণিপুর সেবা সমিতিগী প্রসিদেন্ট ডাঃ চিংথাম চন্দ্রমনি, ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ হিষ্টোরিকেল রিছার্সকী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী টেকিকেল সেসনদা কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা 'মনিপুরগী ঙমখৈ পাকথোক চাউথোকহনবদা মহারাজ গরিবনিৱাগী থৌদাংঃ লাল্লোং, লান্মীগী তৌবা ঙম্বা শক্তি' হায়বসিদা চে পাঙথোকখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল মায় পাকা পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে। ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ১৭ তগী ১৯ ফাওবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী মিণি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিবেল অসিগীদমক মীওই লিশিং মরি চনগদবা মফম শেন্বা লোইরে। মসিগীদমক স্তোলনচিংবা শেম শাবগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি। ফেষ্টিবেল অসিদা কোমলা থাবা লৌমী ৩০০ লোমা অথোই অহেন তান্নগনি। খ্বাইদগী মকোক তারবা কোমলা থাবা লৌমীদা লুপা লাখ অনিগী মনা পীগনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না ওরেঞ্জ ক্যুইন কন্টেষ্ট পাঙথোক্কনি। মকোক তারবা কন্সটেটেন্দটনা লুপা লাখ অমা মখায় মনা পীগনি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ এজেন্সি-চান্দেলনা নেসনেল লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি, মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমদি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-চান্দেলগা খুৎশমরগা লিগেল সাভির্সেস কেম্প অমা ঙসি জিলা অদুগী জাফৌ বজারদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিভরসিএল হেলথ কভরেজ ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট সেসন জজ-বিনি ঙাঙোমগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা হেলথ কার্ড রেজিষ্ট্রেসন লেমা তৌবা অমদি অতৈ থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

**নুপী লাল (এল)ঃ** রাজ্যগী হোম বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতসু নুপী লাল নীংশিং নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. গোয়লনা হায়-নুপীলালগী মথৌনা লৈরবী ইমাশিং অদুগী খুদুং ইন্দুনা ঙসিগী মীরোলনা লমদম অসি চাওখৎপা অমসুং মাংজিল থাবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-নুপীলাল অসি ইচম চম্বা ইতিহাসকী থৌদোক অমা নত্তে। মসিনা লমদম

অসিগী নুপীশিংগী থৌনা লিংজেল, অচুম্বগীদমক অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা চংশিনখিবা খোঙজং অমনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নুপী লাল নীংশিং থৌরম তোঙান তোঙানবা নুপী লুপশিংনা শিনদুনা নুপী লাল নীংশিং লমজেল তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখি।

ষ্টেট লেবেল নুপী লাল নীংশিং লমজেল ওর্গনাইজেসন কমিতিনা শিনদুনা ৩৪ শুবা ষ্টেট লেবেল নুপী লাল নীংশিং লমজেল নুপী লাল মেমোরেল কমপ্লেক্সতগী শিংজমৈ ফাওবা চেনখি।

নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিনদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি পাঙথোকখি।

য়ুনাইটেদ মনিপুর মুস্লিম ৱিমেন্স দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখি। অমকিলনা শিনদুনা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা থৌরম পাঙথোকখি।

য়াইফকোল ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন-বিষ্ণুপুর জিলাগী নরানসেনানা শিনদুনা মোইরাংদগী নুপী লাল নুমিৎকা মরী লৈননা লমজেল অমসু চেনখি।

লৈমরোল চনুরা লমজিং লুপ (লৈচল) না শিনদুনা ইম্ফাল হষ্টকী খোঙমন জোন ফাইবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা নুপী লালদা লৈখিদ্রবা ইমাশিংগী মফমদা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

অপুনবা নীংশিং মরুপ, নুঙ্গোই অৱাং লৈকাইনা শিনবা অনিশুবা সেনিয়ার সিটিজনশিংদা কৎচবা নীংথম খুদোল তম্বগী থৌরম অমা ঙসি নুঙ্গোই অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা খোঙবানতাবম ইবোমচা-এম.এল.এনা লুচিংদুনা নুপী লালদা লৈখিদ্রবা ইমাশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই ৱিমেন দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন অমদি সোসিএল এদুকেস্নেল এন্দ কলচরেল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা

নুমিৎ অসিগী পালন পাঙথোকখি।

নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ ওবজারভেসন কমিতি-জিরিবামনসু শিন্দুনা ঙসি জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওদিটোরিয়মদা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

ওল অসাম মনিপুরি মৈরা পায়বা অপুনবা লুপনা শিনদুনা নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ থৌরম সিলচর গান্ধি ভবনদা পাঙথোকখি। পেট্রোটিক রাইটরস ফোরম, মনিপুর অমদি মনিপুরি ৱিমেন লিটরেরি এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা নুপী লাল নুমিৎ অসামগী হোজাই গোবিন্দপুরদা লৈবা থন্বাল রাইজিং ক্লব এন্দ লাইব্রেরীগী লম্পাক্তা পাঙথোকখি।

মনিপুরি ৱিমেন কনভেন্সন-ত্রিপুরানা শিনদুনা নুপী লাল নীংশিং থৌরম অগরতালাদা লৈবা প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীওই ১৩ না শাবা ত্রিপুরা মনিপুরি ৱিমেন কাউন্সিল কৌবা লুপ অমা শেমখ্রে। মসিগী প্রসিদেন্ট-থৱাইবম ময়া সিংহানা ওইরে অদুগা জেনরেল সেক্রেটরিনা য়াম্বেম সমাপিকা সিংহানা ওইরে।

নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্স অমদি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেসেনল ষ্টদিজ এন্দ স্কিল দিবলপমেন্ট অনি খুৎশমরগা বাবিনা ব্লড সেন্টর-শজিৱাদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখি। নুপী ১০ য়াওনা পুন্না মীওই ২৭ না ঈ দান তৌখি।

**এলজে.পি (এল)ঃ** খোইরোম দিপু সিংহবু লোক জন শক্তি পার্টি (রাম বিলাস) মনিপুর য়ুনিটকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে। মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপদা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-চিরাখ পাসৱান্তনা অয়াবা পীখ্রে।

**প্রমোসন (এল)ঃ** ডা: সনসম রনবির সিংহ, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী ইন্সপেক্তর জেনরেল মেদিকেলদা প্রমোসন পীখ্রে। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্টকী

উরিপোক হাওবম দেৱান লৈকাইদগীনি।

সেন্ট্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্সতা ফম অসি পায়বা মহাকা মনিপুরদগী অহানবা ওইরে।

**ককচিং (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা পীবা নেসনেল দিবিয়াং আর্টিসিয়ান এৱার্ড ফংল্লকখ্রবা য়েংখোম ওংবী ইন্দিরাবু মহাক্কী পোকফম লমদম ককচিং ময়াই লৈকাইদা তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু সোসিএল ৱেলফিয়ার স্পোর্টিং ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকখি।

**ক্রোপসঃ** সরকারনা হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিগী মহৈ-মরোং পুথোকপগী চাং চাদা ৪৪ হেনগৎলে। রাজ্য সভাদা ঙসি ৱাহংগী মতমদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরা সিংহ চৌহাননা হায়-মসি ২০১৪ দগী ২০২৪ ফাওবদা অনৌবা মখলগী মরু-মরাংশিং, মতমগা চুন্নবা টেকোলোজি অমদি লৌউ শিংউগী থৌওং কয়া পায়খৎপদগীনি।

মহাকা হায়-লৌউ শিংউগী লমদা মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি। শ্রী চৌহাননা হায়-মোদি সরকারনা লৌমীশিংগী শেন্থোক অমদি মখোয়গী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চংলি। লৌউ শিংউগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবগীদমক পোইন্ট তরুক্কী থৌওং অমসু চৎনহল্লে।

**কন্দোলঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলা অমদি অতৈ লুচিংবা কয়ানা হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-শিবরাজ পতেলনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি অয়ুক শিবরাজ পতিলগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

লোক সভা অমসুং রাজ্য সভানা ঙসি ২০০১ গী দিসেম্বর ১৩ দা পার্লিয়ামেন্টতা এট্রেক তৌখিবগী থৌদোক্তা থৱায় থাখিবশিং অদুগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎখ্রে। থৌনা ফরবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা সভা অনিমকা ঙাইহাক তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

**লোক সভাঃ** কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়রি-নুংশিৎ শেংলক্তবগী ৱাফমগী মতাংদা লোক সভাদা খন্ননবা সরকারনা শেম শাদুনা লৈ।

বিরোধি লুচিংবনা ৱাফম অসি বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিদা পুখৎলকপনা সরকারনা মসি য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ অমসুং চৎনরিবা নিয়মশিংগী মখাদা মসি করমা খন্নগদগে হায়বদুসু য়েংশিনবা চংই। লোক সভাদা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়-লৈবাক অসিনা হৌজিক চাউনা মায়োকরিবা ওইবনা ৱাফম অসি য়ামমক মরুওই।

মহাকা হায়-ৱাফম অসিগী মতাংদা সভাদা খন্নবদা বিরোধি অমদি সরকার অনিমকা মপুং ফানা য়াফম থোকই। সহরশিংদা নুংশিৎ শেংলক্তবা অসি থিংনবা করম্বা থৌরাং পায়খৎকদগে হায়বদু সরকারনা পুথোক্কদবনি।

**ভিজিৎ ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ মরিনিগী জোরদান, ইথিওপিয়া অমসুং ওমান খোঙচৎ থা অসিগী ১৫ দগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎকী অহৌবদা প্রধান মন্ত্রি জোরদানদা চৎকনি। লৈবাক অদুগী নিংথৌ অবদুল্লাহ টু-বিন অল হুসেন্না বার্তন তৌরকপদগী মহাক লৈবাক অদুদা চৎপনি। জোরদানদা মহাকা নিংথৌ অবদুল্লাহ টুগা উন্নদুনা ভারত অমসুং জোরদান অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা খন্নগনি অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু ৱারী শান্নগনি। মহাকা থা অসিগী ১৬ তা শ্রী মোদিনা ইথিওপিয়াদা চৎকনি। মহাকা

ইথিওপিয়াদা লৈরিবঁদা প্রধান মন্ত্রি ডাঃ আবি অহামদ আলিগা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নগনি।

মহাক্কী খোঙচৎকী অরোইবদা শ্রী মোদি থা অসিগী ১৭ তা ওমানদা চৎকনি। মসি মহাকা অনিরক শুবা ওইনা ওমানদা চৎপনি। খোঙচৎ অসিনা লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা, ইনর্জি, দিফেন্স, সেক্যুরিতি, টেকোলোজি, লৌউ শিংউ অমসুং সংস্কৃতিনচিংবা য়াওনা লম কয়াদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি।

**ক্রিকেট ঃ** মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুনজেম লৈকাইনা শিনদুনা খুনজেম লৈকাই লাইনিংথৌ লম্পাক্তা চথরিবা মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা-এল.এল.সি.সি.-নিংথৌখোংনা সি.এল.টি. শিংজমৈবু রন মরিদা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** এসিয়ান ক্রিকেট কাউন্সিলনা শিনবা অন্দর নাইন্তিন এসিয়া কপ-২০২৫ ঙসিদগী দুবাইদা হৌখ্রে। লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ভারত অমসুং পাকিস্তান শান্নগনি।

ঙসি অহানবা নুমিৎতা ভারতনা য়ু.এ.ইবু রন-২৩৪ দা থোইখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৮ না শরুক য়ারি। গ্রুপ (এ) দা ভারত, পাকিস্তান, মালেসিয়া অমসুং য়ু.এ.ই, গ্রুপ (বি) দনা বঙ্গলাদেস, শ্রীলঙ্কা, অফগানিস্তান অমসুং নেপালনি।

ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২১ দা শান্নগনি।